**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-05-2026)**

**খেমচান্দ (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-মনিপুরগী নহাশিংগী শান্ন খোৎনবগী লমদা হেন্না পুকিং থৌগৎনবা সরকারনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি।

ভারতকী হোকি টিমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মনিপুরদগী চিংলেনসনা সিংহ কাংঙুজমগা মুখ্য মন্ত্রিগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি উন্নবগী থৌরমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মনিপুরবু ভারতকী শান্ন খোৎনবগী পৱার হাউসনি হায়নরিবা অসি হেন্না মশক থোকা লৈহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না চাউথোকচরিবা অসি মাঙহন্দনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্ন খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ট্রেন্নিং তৌফমশিং নীংথিনা শেমগৎতুনা মনিপুরদগী ওলিম্পিয়ান কয়া পুথোকবগী ৱাফমসু ঙসি উন্নবা অদুদা খন্নখি।

**এদমিসন(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন-মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসনগী ফল লাউথোক্লিবা ফাওবা মনিপুর সরকারগী মখাদা লৈবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলশিং, গভরমেন্ট এদেদ অমদি লন্নাই স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা এলভেন ক্লাসকী মিং চনবগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই।

রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-ভোগেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সরকারগী হুকুম অসি ইন্দবা স্কুলশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

অমরোমদা, রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী কালেন ছুতি থাবগী মতম জন্ ১৫ দগী জন্ ২৭ ফাওবা থারগনি। রাজ্যগী এদুকেসন (এস)

দিরেক্তোরেটকী চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা তোয়না থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকখিবনা মরম ওইরগা স্কুল কয়া লাইরিক তমদনা লৈখিবশিং অদুগী য়েংলগা মখা তানা লাইরিক তম্বদা খুদোংচাহন্নবা অমদি মহৈরোইশিংগী একাডমীক কেরিয়ারদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক হান্না জন ৮ দগী ২৭ ফাওবা থাগনি তৌরম্বা কালেন ছুতি অদু মতম তেনশিল্লগা জন ১৫ দগী ২৭ ফাওবতমক থানবা দিরেক্তোরেটনা ৱারেপ অসি লৌবনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা থা অহুমলোম অসিদা কুকি অমসুং তাংখুল নাগা অনিগী মরক্তা থোক্লিবা ঈরাং অসি অথুবদা ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা নাগালেন্দ জোইন্ট খৃষ্টান ফোরমনা আপিল তৌরি। কাংলুপ অনিগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্নি।

**চান্দেল (এল)ঃ** রেজিং এন্দ এসেলরেটিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স (রেম্প) স্কিমগী মখাদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা হোস্পিতালিতি, টুরিষ্ট গাইদ অমদি নেচর গাইদ মেনেজমেন্টকী ওইনা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেলদা লৈবা খৃষ্টান হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চান্দেলগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-ডা: এন. মুনাল মীতৈনা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ইং ২০২৫ দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা ইকো টুরিজমগা মরী লৈনবা হীরমদা লাইরিক লাইশু হৈরবা থবক ফংহৌদ্রবা জিলা অসিগী নহা ৩৫০ রোমদা থবক পীবা ঙমখ্রে। মহাকা হায়-নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং অদুদা হৌজিক্কী চাউখৎপগী খোঙজেলগী হোংলক্লিবা খোঙজেলশিং য়াওশিনদুনা রাজ্য অসিগী ইকো টুরিজমনা মালেমদা শক তাক্লসি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা ময়াই কাবা নিশাশিং শিজিন্নবা থিংনবা অমসুং ফাগৎনবা খোঙথাং হেন্না কনশিলহন্নবা পান্দমদা জিলা থাক্কী নার্কো কোর্দিনেসন সেন্টরগী মীফম ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দ্রগ শিজিন্নবা, পুথোক পুশিন তৌবা, হিদাক মনা অমদি য়ুনচিংবা শিজিন্নবা থিংননবা জিলা থাক্কী রোড মেপ অমা শেম্বগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখি।

মীফম অদুদা হীরম অসিগীদমক শেমখিবা কমিতিগা পুলিসকা নীংথিনা পাউ ফাউদোক ফাউশিন তৌনদুনা অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা খন্নখি। ঙসিগী মীফম অদুদা জিলা অদুগী এস.পি. অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**ফ্লাইট (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিদগী মপানদা চৎপা অমসুং হল্লকপগী এরোপ্লেন ভারা সবসিদাইজ তৌবিনবা এমটুক অমসুং এম.জি.ওগী জে.এ.সিনা কেন্দ্রদা তকশিনখ্রে। মসিগা মরী লৈননা জে.এ.সি. অসিনা ঙরাং কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কে. রাম মোহন নাইদু অমসুং সিভিল এভিয়েসন রাজ্য মন্ত্রি-মুরলিধর মোহোলদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। মদুগী কোপি রাজ্যপাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রিদসু পীশিনখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা থাংজ নুমিৎপু সরকারগী ওফিসশিংগী থবক শুবা নুমিৎ ওইরগনি হায়না থোকখিবা মমাং থাগী ২৪ গী নোটিফিকেসন অদু ককথৎপীনবসু জে.এ.সিনা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

**ৱার্কশোপ(এল)ঃ** রিছার্স মেথোদোলোজি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী হোম সাইন্স দিপার্টমেন্টনা ইন

টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলগা খুৎশমরগা শিনবনি। ৱার্কশোপ অদুদা টেকি কেল সেসন অনি থোকা পাঙথোক্তুনা লম অসিদা খঙ-হৈরবশিংনা চে পাথোকখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** বেসিক্স ওফ এপ্লিকেসন দিবলপমেন্ট হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা ৱার্কশোপ ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মনিপুর সাইন্স সেন্টরদা লোয়শিনখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অসিদা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংবু এপ্লিকেসন শেম্বা অমসুং মহৈরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা পাঙথোকপনি। ৱার্কশোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী মহৈরোই ৪২ রোমা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংদা সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

**এময়ু(এল)ঃ** এন.এস.এস. সেল মনিপুর য়ুনিভরসিনা ঙসি এন.এস.এস. ন্যুজলেটর ভোল্যুম ৱান, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চান্সেল্লরগী ওফিসতা য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চান্সেল্লর-প্রোফেসার-নাওরেম লোকেন্দ্রনা ফোংখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্রনা হায়-ন্যুজলেটর অসি ফোংনবা হোৎনবদা প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেটর অমসুং এন.এস.এস. সেলনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি।

**চাংদমবা (এল)ঃ** ৱান কন্সিয়সনেস ফাউন্দেসননা শিনদুনা 'হ্বাট ইজ রিয়েল যোগা' হায়বা হীরমদা রাচনা ইবগী চাংদমবা অমা ঙসি ইম্ফালগী গুরু নানক পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

**আথর (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি-এ.এস. আথরনা লৈখিদবদা মনিপুর এক্স এম.এল.এ. ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনদা অৱাবা ফোংদোক্লি।

চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিনা হায়-মহাকা লৈখিদবা অসিদা মনিপুরনা অচৌবা লুচিংবা অমা মাংজরে।

**মীখল ঃ** হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী বিধান সভা মীখলগী ফল লাউথোকপা লোয়গদবা সিট খরতমক ঙায়রে। নোংচুপ বেঙ্গোলদা বি.জে.পিনা অনৌবা সরকার শেল্লগনি।

অসাম অমসুং পুদুচেরিদা এন.দি.এগী হান্নগী সরকারশিং অমুক হন্না শক্তি পায়রগনি। কেরলাদা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু.দি.এফনা অনৌবা সরকার শেমবা য়ানা লৈরে। তামিল নাদুদনা হঙ এসেমব্লি ওইরবসু টি.ভি.কেনা খাইদগী মশিং য়ামা কাবা দল ওইরে।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা অসামদা অপুনবা সিট ১২৬ কী মনুংদা ১২৩ দি ফল লাউথোকপদা বি.জে.পিনা ৮২, কংগ্রেসনা ১৯, এ.জি.পি. অমসুং বোড়োলেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা ১০-১০ অমদি এ.আই.য়ু.দি.এফনা অনি ফংখ্রে।

নোংচুপ বেঙ্গোলদা অপুনবা সিট ২৯৪ গী মনুংদা সিট ২৯২ গী ভোট মশিং থিবদা বি.জে.পিনা ২০৭ ফংলে। সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা সিট ৮০, কংগ্রেস অমদি এ.জে.য়ু.পিনা অনি-অনি অমসুং সি.পি.আই.এমনা অমা ফংলে।

তামিল নাদুদা অপুনবা সিট ২৩৪ গী মনুংদা ২২৩ দি ভোট মশিং থিবা লোয়বদা টি.ভে.কেনা ১০৮, দি.এম.কেনা ৫৯, এ.আই.দি.এম.কেনা ৪৭, কংগ্রেসনা ৫ অমসুং পি.এম.কেনা মরি ফংলে।

কেরলাদা অপুনবা সিট ১৪০ গী মনুংদা ১২৬ কী ভোট মশিং থিবা লোয়বদা কংগ্রেসনা ৬৩, সি.পি.আই.এমনা ২৬, আই.য়ু.এম.এলনা ২২,

সি.পি.আইনা ৮ অমসুং কেরলা কংগ্রেসনা তরেৎ ফংলে।

**পুদুচেরিঃ** পুদুচেরি বিধান সভা মীখলদা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সনা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুং অনৌবা সরকার শেমবগীদমক খন্ন-নৈনবগী থবক হৌখ্রে।

পুদুচেরি বি.জে.পি. ষ্টেট প্রসিদেন্ট-ভি.পি. রামালিঙ্গমনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি দল অসিগী ষ্টেট হেদক্বাটরসতা নৌনা খল্লক্লবা বি.জে.পি. এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. ইলেক্সন ইন চার্জ-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়া, ষ্টেট ইন চার্জ-নিরমল কুমার সুরানা য়াওনা অতৈ দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিং অসিদা রাজনিতিগী ওইবা অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা ৱাফম য়াওনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী অনৌবা সরকার শেমবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোলদা বি.জে.পি. লেজিসলেটিব পার্টিগী লুচিংবা খন্নবগী মীখলগীদমক বি.জে.পিনা দলগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহবু সেন্ত্রেল ওবজাভর ওইনা হাপখ্রে। উরিষ্যাগী মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন চরন মাঝিবু সেন্ত্রেল কো-ওবজাভর হাপখ্রে।

**ধমেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-লৈবাক অসিদা রিছার্স অমসুং ইনোভেসন ইকো সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি আই.আই.টি. মদ্রাজকী টেক সমিটতা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-হনোভেসনদা য়ুম্ফম ওইবা কান্নবশিং ফংবা ঙমবা ভারতকী রিছার্স ইকো সিষ্টেম শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মন্ত্রিনা হায়-রিছার্স হায়বসি পি.ঐচ.দি.

থেসিস্ট অমসুং একাডমীক পাব্লিকসেন খক্তদা মীৎয়েং থল্লোইদবনি। মসিনা অনৌবা কয়া পুথোক্তুনা খুন্নাইদা কান্নবা পীগদবনি। মহাকা হায়- উদ্যোগ, স্তার্টঅপ অমসুং একাডমীক ইন্সটিট্যুসনশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাংগী মখাদা রিছার্স অমসুং দিবলপমেন্টকী থবক্কীদমক সরকারনা লুপা কোতি লাখ অমা খাক্তুনা থমলে।

**মোদিঃ** য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস (য়ু.এ.ই) গী ফুজাইরা পেত্রোল্লিয়ম ইন্দষ্ট্রিজ জোনদা ঙরাং ইরাননা চথুরকখিবা দ্রোন এট্টেক্তা ভারত মচা অহুম অশোক অপন নংখিবগী থৌদোকপু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মীচম মীয়াম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা এট্টেক চথুবা হায়বসি ঙাকপীফম থোক্তবা থৌওংনি। নুংঙাইনদবা পুমমক ৱারী শান্নদুনা অমসুং য়াশিন্নবা পুরকবা হোৎনরিবা য়ু.এ.ইগী ফিরেপ অসিদা ভারতনসু শৌগৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ষ্ট্রেট ওফ হোরমুসতা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহনবা হায়বসি গ্লোবেল ইনর্জি সেক্যুরিতি, শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা য়ামা তঙাইফদে।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-চাউখৎ থৌরাংগী লমদা তেংবাং পীনবা হায়বসিনা ভারত অমসুং জমাইকা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীগী য়ামা মরুওইবা শরুক অমা ওইরি।

জমাইকাগী ফোরেন মন্ত্রি-কামিনা জোন্সন স্মিত অমসুং অতৈ কেবিনেটকী মীহুৎশিং উন্নরবা মতুং ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিনা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনবগা লোয়ননা দিজিটেল ট্রান্সর্ফোরমেসন, কলচরেল একচেঞ্জ, স্পোর্টস অমসুং দিজিটেল পেমেন্টগী

লমদা হন্দক্তা সহি তৌনখিবা য়ান্ন ৱারোলশিং মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি। হৌখিবা মার্চ থাদা শাবা লোয়দুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রবা কিটসন টাউন্দ প্রোজেক্টকী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-প্রোজেক্ট অসি ইন্দিয়া-য়ু.এন. দিবলপমেন্ট পার্টনরসিপ ফন্দগী মখাদা ভারতনা মিল্লিয়ন দোল্লর অমগী শেনফম কায়থোক্তুনা পায়খৎখিবনি।

**ফ্রোদঃ** ইন্টর ষ্টেট সাইভর ফ্রোদ রেকেট অমা দিল্লি পুলিসনা থুগায়খ্রে অমসুং উত্তরাখন্দদগী মীওই মঙা ফারে।

দিল্লি পুলিসকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রাজিব কুমারনা হায়-মীওইশিং অদু ওন লাইন ইনভেষ্টমেন্ট স্কাম অমসুং অতৈ ফ্রোদশিংদা চেন্নবশিংনি। মহাকা হায়-মখোয়শিং অসি শাশিন্নবা বেঙ্ক একাউন্টশিং পীবা অমসুং সাইভর ফ্রোদ তৌরিবশিংদা শেল কায়থোকপগী খুদোংচাবা ফংহনবদা চাউনা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়গী থবক অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা শাশিন্নবা ওন লাইন ইনভেষ্টমেন্ট প্লেটফোমশিং শিজিন্নদুনা ইচম চমজবা মীয়ামবু নমথাক তৌবদা চাউনা চৈন্নে।

**মিজোরামঃ** মিজোরামবু লৈবাক অসিগী মুগা সিল্ক পুথোকপদা মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা য়ামা আশা লৈবা থৌরাং অমা ঙরাং কেন্দ্রগী ফিরোল মন্ত্রি-গীরিরাজ সিংহনা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী মিজোরাম খোঙচৎতা লৈরিবা মন্ত্রিনা আইজোলগী জেমাবোকতা লৈবা সেরিকলচর ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট অমসুং মুগা লং নাইনবগী ফেক্তরি য়েংখি। মুগা তিল য়োক্লিবশিং অমসুং ফিশাবীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মিজোরাম অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা মপুং ওইবা সিল্ক মখল মরি-মুগা, ইরি, মলবেরি অমসুং তসর পুন্না পুথোকপা অমত্তং ঙায়রবা রাজ্যনি। সিল্ককী পোৎথোক পুথোকপা হেনগৎহন্নবা শেনবা চহি ২০২১-২২ দগী

২০২৬ কী জানুৱারী ফাওবদা সিল্ক সমাগ্রহ টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা মিজোরামদা লুপা কোতি ৫৯ লাখ ৭৪ পীখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ত্রিপুরা ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা অগরতালাগী টি.আই.টি. গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট লিটর মাস্তরস ত্রোফিগী সেমি ফাইনেলদা অসামনা মনিপুরবু রন-৯৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিক (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী মেটচ অমদা হৌজিক দিল্লি কেপিটেলসকা চেন্নাই সুপর কিংসকা দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।